ছুইয়েন লানপাউ
নোংমাইজিংগী অখন্নবা চেফোঙ
Issue No. 127
Sunday, 31th July, 2016

# টর্কিগী মিলিটরি কু






থা অসিগী হৌখিবা তারিখ ১৫ অমসুং ১৬ কী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং অমরোম তাবদা টর্কিগী ব্লেক হোক হেলিকোপ্টর অমনা দিসত্রেস সিগনেল অমা থাদুনা গ্রীক ওথোরিটিশিংদা ইমরজেন্সি লেন্দিং তৌনবগী অয়াবা পীনবা হায়জখি। মদুগী মতুং মিনিট ৮ মুক লৈরগা ব্লেক হোক অদু গ্রীসকী অলেন্দ্রৌপেলিদা লৈবা দিমোক্রিটোস এয়রপোর্টতা তাখি। প্রসিজর অদু গ্রীককী এফ-১৬ এয়রক্রাফ্‌ট অনীনা য়েংখি অমসুং এয়রপোর্টতা তাবদুদা ব্লেকহোক অদুবু ঙাক শেনখি। অহানবগী রিপোর্টশিংনা হায়খি মদুদি, পেসেঞ্জরশিং অদু মিলিটরি পার্সনেল তরেৎকা সিভিলিয়ন অমগনি। তুংদা মখোয় লোয়নমক মিলিটরি পর্সনেল ওইরমখি। মখোয় মখোয়গী য়ুনিফোর্মশিংদগী বেদজ অমসুং ইনসিগনিয়া লৌথোক্তুনা মখোয়গী রেঙ্ক খঙদনবা হোৎনখিবা ঙাক্তনি। মখোয় লোয়নমক গ্রীসকী লৈমায়দা হেক থুংবদা লৈবাক অদুদা ইলিগেল ওইবা মওংদা চংলকপগী ফাজিনখি। মখোয় লোকেল পুলিস ষ্টেসন অমদা পুখি। মতমদুদা হেলিকোপ্টর অদু গ্রীক ওথোরিটিশিংনা গার্দ তৌদুনা থমখি। মখোয় নিপানমক্লা গ্রীসতা পোলিটিকেলগী চংজফম নীখি।

নোংঙাল্লকপগী পুং ৪ মুক তাবাদ প্রসিদেন্ট ইর্দোগন ইস্তানবুলদা খুৎলৈ থুনা পাইশিনখি অমসুং সিটি অদুগী কেমল অটার্কে এয়রপোর্ট মনুংদা টেলিভাইজ স্পীচ অমা পীখি। মহাক্লা মনুংদা ৱা ঙাংলিঙৈদুদা মপানদা মীওই লিশিং কয়া তীনখি। মদুগী মতুং পুং ৬:৩০ রোম তাবদা এয়রপোর্টতুদা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খি, "টর্কিদা আর্মদ ফোর্সশিংনা লৈঙাক্কী থবক পাইদে নৎত্রগা লৈবাক অদুবু লুচিংদে। মখোয়দি মদু ঙম্লোই।" মহাক্লা সেল্লর্সবর্গ, পেনসিলভেনিয়া (য়ু এস) তা ফমদুনা লৈবা ফেটুলা গুলেন কৌবা (মশাগী ৱারেপনা লোই চৎখিবা) ক্লারিক অমনা খুজিল থৌরাং তৌদুনা মহাক্কী মায়োক্তা কূ অমা পাঙথোক্লিবনি হায়না মরাল শিখি। ইর্দোগননা আর্মিদা লৈরিবা অমোৎপশিং শেংদোক্লবা মহাক্কী থৌরাং লৈরে হায়না চেকশিন ৱা হায়খি।

মদুগী মমাংগী নুমিৎ জুলাই ১৫ ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবা পুং ১১ তারমদাইদা অঙ্করাগী নোংথক্তা মিলিটরি জেটশিং পাইখি অমসুং ইস্তানবুলদা লৈবা ফার্টিহ সুল্টান মেহমিট অমসুং বোসফোরস থোং অনীমক য়ুরোপ তাখিবা মায়কৈশিংদা থীংজিনখি। টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি য়িলদিরিননা হায়খি, কম্মান্দ চেনগী মপানদা মিলিটরিনা এক্সন লৌখৎপগী থৌওংশিং চখরক্লে, 'মিলিটরিগী শরুক অমনা পৱার পাইশিন্নবা হোৎনরিক্লবসি ইলিগেল ওই। মহাক্লা মখা তারদুনা অদুগুম্বা থবক থৌওংশিংদা চেন্নবা খুদিংমক "খ্বায়দগী ৱাংবা মমল তীংলগনি" হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি। লোকেল মিদিয়ানা ইস্তানবুলগী এটার্কে এয়রপোর্টতা টেঙ্কশিং থৌজিনবা উরে হায়না পাউদমখি। টর্কি মনুংদা ইন্টরনেট শিজিন্নবশিংবু টুৱিটর, ফেসবুক অমসুং য়ু ট্যুব শিজিন্নবা য়াহন্দ্রে হায়নসু পাউদমখি।

কূপিষ্টশিংনা মিলিটরি হেদক্বার্টসতা আর্মি অমসুং এয়রফোর্সকী মকোক থোংবা কয়া হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিন্দুনা থমখি। মখোয়না মিলিটরিগী জেনরেল ষ্টাফকী চীফ হলুসি অকারদা কূ দেক্লারেসনদা সাইন তৌনবা হায়খি। মদুদা মহাক্লা য়াখিদবগা লোয়ননা মহাকপু হেদক্বার্টসতা লৈবা অতৈ কম্মান্দরশিংগা লোয়ননা অকিপ্পী এয়র বেজদা পুখি। মিলিটরিগী কাঙবু অদুনা ইস্তানবুলদা লৈবা ইদোর্সনগী পার্টি ওইরিবা জষ্টিস এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টিগী ওফিসশিংদসু চংখি অমসুং মীশিংদা ওফিস থাদোক্লগা চৎখিনবা হায়খি।

মদুগী মমাংগী রিপোর্টশিংদা টর্কিগী খা-নোংচুপ থংবা মার্মারিসতা হোলিদে ওইনা লৈরিবা রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগন খুদোংথীবা থোক্ত্রে হায়খি। নুমিদাং পুং ১১ অমসুং নোংয়াইগী মরক্তুদা হেলিকোপ্টরশিংনা পুলিস স্পেসিয়ল ফোর্সেসকী অঙ্কারাদা লৈবা হেদক্বার্টর্স অমসুং সিটি অদুগী চীদাইদা লৈবা পুলিস অমসুং এয়রফোর্সকী হেদক্বার্টর্সতা বোম থাদখি। এটেকশিং অদুদা মীওই ৪৩ শিখি অমসুং ৪৩ শোকখি। কূপিষ্টশিংনা অঙ্কারাদা লৈবা টর্কিশ ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর, দ টর্কিশ রেদিও এন্দ টেলিভিজন কোর্পোরেসন (টি আর টি) চংশিনখি অমসুং মখোয়না অহিং নোংয়াইগী মতম অদুৱাইদা টেলিভিজন একর ত্রিজেন কারাসতা টর্কিগী লৈঙাক্কী থবক অপুম্বা পীছ এট হোম কাউন্সিলনা পাইশিল্লে হায়না লাওথোকখি।

টর্কিগী প্রসিদেন্সিয়ল ওফিসনা প্রসিদেন্ট ষ্টর্দোগন টর্কিগী মপানদা হোলিদে তৌদুনা লৈরি, খুদোংথিবা নংদে হায়না হায়না মহাক্লা লাউথোকখি। টর্কিশ পার্লিয়ামেন্ট মনাক্তা টেঙ্ক কয়ানা কাপখি। মদুগী মতুং ইর্দোগনগী অপিলগী পাউখুম টর্কিগী মীয়াম্না ময়ুম ময়ুমদগী থোক্লক্তুনা মরু ওইবা মফমশিংদা চংশিন্দুনা কূ তৌরিবা কাঙবুশিংগা মায়োক্লখি। কূ এতেম্পট তৌবা ফোর্সশিংগী হেলিকোপ্টর অমা টর্কিশ মিলিটরিগী এফ-১৬ অমনা কাপথখি। কূ কাঙবুশিংনা শীজিন্নবা হেলিকোপ্টরশিংগী ময়াই চমহন্নবা অঙ্করাগী নোংথক্তা প্রো-গভর্নমেন্টকী জেটশিং পাইখি। মমৈথংদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িলদিরিমনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা গভর্নমেন্টনা ফিভম লাকশিল্লে, অঙ্করাগী নোংথক্তা নো ফ্লাই জোন লাওথোক্লে অমসুং মদুদা পাইবা প্লেন খুদিংমক কাপথরগনি হায়খি।

মমৈথংদা টর্কিশ আর্মদ ফোর্সেসকী ফেক্সন অমনা পাঙথোকখিবা কূ অদু ফেল ওইখি। কূ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদুদা মীওই ৩০০ হেন্না মথ্বায় মাঙখি অতৈ ২১০০ হেন্না শোকখি। পার্লিয়ামেন্ট অমদি প্রসিদেন্সিয়ল পেলেস য়াওনা গভর্নমেন্ট বিল্ডিং কয়া অকাই-অতোই থোকখি। কূগী মতুংদা মীওই লিশিং কয়া ফাজিনখি, লিশিং কয়া থবক থদৎখি। তৌইগুম্বসুং কূ অদু করম্বা মীওইনা নৎত্রগা মীওইশিংনা করিগীদমক্তা ক্লারিক গুলেনবু মরাল শিরবসু, ক্লারিক অসিনদি ইর্দোগনগী ৱাফম য়াদ্রি। মদুগী মহুৎতা ইর্দোন্না মহাক্কী পৱার চেৎশিংহন্নবগী পান্দমদা কূ অদু পেলেস ফ্লেগ ওপরেসনগী থৌওং ওইনা লাংখিবনি হায়না ক্লারিক গুলেননা মরাল শিখি।

ফোঙদোকপগা লোয়ননা কূ এতেম্পট অদু দিমোক্রেসিদা চথুবা এতেক অমনি হায়না কন্দেম তৌখি। ইর্দোগন অমসুং মহাক্কী গভর্নমেন্টনা হৌজিকসু পাৱর পাইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সি এন এন টর্ককী ফেসটাইম ইন্টরভিউদা ইর্দোগননা (নোংয়াই মতুং পুংমুক লৈরগা) মহাক্কী সপোর্টরশিংদা লম্বীদা হুপ্তুনা থোক্লগা মিলিটরিনা থল্লীবা কর্ফিয়ু থুগায়নবা আপিল তৌখি। "মীয়ামগী পৱারদগী হেন্না ৱাংবা পৱার অমা লৈতে। মীয়াম্না পব্লিক স্কৱারশিং অমসুং এয়রপোর্টশিংদা থোক্লক্তুনা তৌনিংবদা তৌবা য়াই"



ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# শমদোল পোকখায়বা ফহন্নবা পাম্বৈ



শমদোল পোকখায়বা হায়বসি নুপা নুপী খাক্তনা মীওই অয়াম্বনা হেক হেক মায়োক্লবা খুদোংচাদবা অমনি। অয়াম্বা মতমদা মশম য়াম্না শাংবা নুপীশিংনা মায়োক্লবা তারবসু মীওই খুদিংমক্কী পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা খুদোংচাদবা অসি অদুম্মক মায়োক্লে। মতম চানা অমসুং চাং নাইনা শম কক্তবদগী শমদোল পোকখায়রকপনি হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজনৈ। তশেংবদি খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ।

কা হেন্না শম শাংবা মীওইশিংদা শমদগী থোকচরকপা মহৌশাগী ওইবা থাউনা শমদোল য়ৌবা ঙল্লক্তবদগী শম ইকং কংশিল্লক্তুনা মতোলদা পোকখায়রকই। অতৈ অতোপ্পা মরমশিংদি নুংশা মরক্তা তোয়না চৎপা, ইরুজবা লোইরগা তৈথোক্লিবনি হায়দুনা কোক্তা টাৱেলনা কন্না তকপা-নানবা, কা হেন্না ঈংবা নৎত্রগা শাবা, নোংগী ঈশিংনা কোক চোৎপা, য়াম্না তোয়না শম তিংহনবা নৎত্রগা খোইহনবা; মতম চানা অমসুং চাং নাইনা শম কক্তবা; কা হেন্না তোয়না কোক তূম্বা; শম মচু শঙবা; শম চোৎলিঙৈদা শমজেৎ হাৎপা; ক্লোরিন য়াওবা নৎত্রগা থুমহি চেনবা ঈশিংনা কোক তূম্বা; মগুন য়াওদবা অহোঙবা শমগী পোৎথোক শীজিন্নবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা অসিনচিংবনি।

শমদোল পোকখায়বা ফহন্নবা ইচম চম্বা পাম্বৈ খরা খঙমিন্নসি:-

- মতম শাংনা শম কক্তবদগী কা হেন্না শাংলবদি শমদোল পোকখায়রকই। মরম অদুনা মরক-মরক্তা চাং নাইনা শমগী মতোল খরা খরা কক্কদবনি।
- লুম্বু লুম্বু শাবা ওলিভ ওইল, অলমোন্দ ওইল অমদি কোকোনট ওইল; নৎত্রগনা অহুম অসি য়ান্নরগা শমখোঙদা তৈশিনদুনা মসাজ তৌবা কান্নগনি। খ্বাইদগী ফবদি অহিং অমা লেলহনগদনি নৎত্রগনা পুং অমরোম লৈরগা অচম্বা শেম্পু অমনা কোক তূমথোক্কদবনি।
- অৱাথবী মচেৎ অমা তকখায়রগা পেষ্ট শেম্লো অমসুং মদুদা শঙ্গোম অফম্বা চামচ অনী হাপচিল্লগা মুন্না তোৎলবা মতুংদা শমদা তৈশিনগদবনি। পুংখায় অমগী মতুংদা কোক তূমথোকপা য়ারে।
- শঙ্গোম অফম্বা কপ অমদা খোইহি চামচ অমা হাপচিল্লগা ওৎলবা মতুংদা শমদোলদা তৈশিল্লো। মিনিট ২০ গী মতুংদা কোক তূমথোক্কদবনি।
- য়েরুম, লফোই অমদি কোমলা মহী য়ান্নরগা তৈবা তারবসু শম ফহল্লি অমসুং শমদোল পোকখায়হন্দে।



# চীঞ্জাক্না খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি - লফোই অশংবা চাবগী কান্নবশিং



লফোই অশংবা হায়বসি মশা তেক্লিবা মুন্দ্রিবা লফোই অশংবা চাবগী কান্নবা য়াম্না লৈ। হঙ্গামপাল মচু চঙলবা লফোই অমুনবদি নহাক্না খুদক্তা মকু খোল্লগা চাবা য়াই, তৌইগুম্বসুং লফোই অতেকপা অশংবদি মৈদা থোংলগা চাগদবনি। চাক্না চানবা এঞ্জাং ওইনা থোংবা, ফুৎপা নৎত্রগা তাওরগা চাবা য়াই। চীঞ্জাক্কী মচী অমসুং মচলশিংগী য়েংবা তারবদি অশংবা লফোইদা ফাইবর, ভিটামিন অমসুং মিনরেলশিং মরাং কায়না য়াওই। লফোই অশংবদা য়াওরিবা চনাংগী শরুক্তি ব্লদ সুগর কন্ট্রোল তৌবা, হকচাংগী অরুম্বা মেনেজ তৌবা অমসুং ব্লদ কলেষ্টরোলগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংই।

লফোই অশংবদি রেজিষ্টেন্স ষ্টার্চ (চনাং) ফংনবগী মরুওইবা পাম্বৈ অমনি। রেজিষ্টেন্স ষ্টার্চতি নহাক্কী দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমদা য়াওরিবা এঞ্জাইমশিংনা তুমহনবা ঙমদে, মরম অদুনা ষ্টার্চ ওইনা মথৌ তৌবদগী ফাইবর ওইনা মথৌ তৌবনা হেল্লি। নহাক্কী চীঞ্জাক্তা লফোই অশংবগুম্না রেজিষ্টেন্স ষ্টার্চকী চাং ৱাংবা আইটেমশিং য়াওহনবনা ব্লদ সুগর কন্ট্রোল তৌদুনা দাইবেটিস লাকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি অমসুং ব্লদ কলেষ্টরোলগী চাং হন্থহন্দুনা হার্টকী লায়না নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা হন্থহল্লি। রেজিষ্টেন্স ষ্টার্চতা নৎতনা লফোই অশংবদা ফাইবর মরাং কায়না য়াওই। ফাইবরনসু দাইবেটিস অমসুং হার্টকী লায়নাগী রিস্ক হন্থহল্লি।

লফোই অমুনবগুম্না লফোই অশংবদসু পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওই। অশংবা লফোই অফুৎপা কপ অমা চাবনা ঐখোয়গী হকচাংদা পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ৪৩১ পীবা ঙম্মী। পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই। হার্ট ফনা থম্নবগীদমক্তা অমেরিকান হার্ট এসোসিএসন্না নোংমদা পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ৪,৭০০ য়াওবা চীঞ্জাক খুদিংমক মীপুং খুদিংমক্তা সেফ ওইবদি নত্তে। অদুনা ঈদা পোটাসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওরবা নৎত্রগা কিদনিগী লায়না লৈরবদি অসিগুম্বা চীঞ্জাক চাবা মতমদা ডোক্তর তান্নগদবনি।

অশংবা লফোইদা সোর্ট চেইন ফেট্টি এসিদ (এস সী এফ এ) কৌবা কম্পাউন্দশিং য়াওই। কম্পাউন্দশিং অসিনা অপীকপা ইন্টেষ্টাইনগী টিস্যু লাইনিংগী সেলগী মচীঞ্জাক পী। মসিনা হকচাংনা চীঞ্জাক্কী মচলশিং চুপশিনবগী কেপাসিটি হেনগৎহল্লি।



টৈংশ লাতম

# ইহাক্তং পোখাবা য়াব্রা য়েংশি

খোমজিনবা, লেংজবা -
য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার

## ফোরেন্নরগা তোম্বগা ইংলিশতা ৱারী শাবা

ফোরেন্নর : শোমবু করি লমদগী?
তোম্বা : মণিপুরদগীনি, সার।
ফোরেন্নর : মণিপুর হায়দি ?
তোম্বা : হেরা বন্দ য়াম তৌবা লমদো?
ফোরেন্নর : জ্ঞান তাদে।
তোম্বা : হেরা ইকোনোমিক ব্লোককেদ থা অহুমগা তৌবা লমদো।
ফোরেন্নর : ঐবু অমুক্তা ভাপ তাহনবীয়ুদা
তোম্বা : হেরা ধর্নাদা পংফমদা ফম্বা লমদো।
ফোরেন্নর : ঐ মণিপুর খঙদেমী ভাই!!!
তোম্বা : হেরা, লম্বীদি শেমদবা মীগদি মশা নান্ন-নান্না য়াম চৎপা লমদো।
ফোরেন্নর : হায়বদি !!!
তোম্বা : হেরা, হেক শাবগা বিল্ডিং পংনিংদা নিংখায়বা লমদো।
ফোরেন্নর : ভাপ অমুক্তা তাহনবীয়ুদা।
তোম্বা : হেরা, সার লুপা ৫০০/৫০০ লৌরগা, চাক চানহল্লগা নৎত্রদি ভোট থাদৌ য়াদবা লমদো।
ফোরেন্নর : ঐ ঙাওরক্তৌরিকো!!!
তোম্বা : ঙাওরোইদা সার, ইলেক্ট্রিক পোষ্ট য়াম্না খিংগনবা লমদো কাওরব্রো?
ফোরেন্নর : করিনো সার তোম্বনা হায়বীরিবা অদুবো?
তোম্বা : হেরা, ঙাইহাক লৈতনা দিমান্দ লেট্টর থাজিনবা বোম পোকখায়গনবা লমদো?

## দিসজা ঈসজা

মরৈ য়াম্না তৎপা নুপামচা অমনা ক্লাসতা অসুম্না ঃ-
ওজা : ঐনা ব্লেক-বোর্দতা ইরিবসি হায়রকউ তোম্বা ?
তোম্বা : ওজা দিস ইস।
ওজা : ছাত্র-ছাত্রী অতৈ-অতৈদসু লোয়না হায়হনবা।
ওজা : মরৈ তৎপা তোলমুদুদা তোলমু অসি হায়রকউ।
তোলমু : মরৈ তৎপদুদা হায়গেদি খল্লগা হায়দোকচবা ঙমজদে। করি দৌবগী অঙোন্দা হংলকইনো খঙদে।
ওজা : হে তোলমু হায়রকউ কৈদৌরে। ৫/৬ লক শুরে হায়রকউনে।
তোলমু : শাওমনখিদুনা য়াম্না শাওনা - দিসজা ইসজা।

\- তিলোতমা অথোকপম

# খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং মঙ হায়বসি মঙহুন্দবা য়াবরা?



ঐখোয়না মঙলিবা মঙশিং অসি ঐখোয়না তুম্বা মতমদা ঐখোয়গী ৱাখলনা শেম্বা ৱারীশিং অমসুং মখোয়গী মমীশিংনি। মখোয়সি নুংঙাইনিংঙাই ওইবা য়াই, নুংশি-নুংওলগী ওইবা য়াই, ঐখোয়গী ৱাখলদা অয়েৎপা পীবা ওইবা য়াই, অকিবা পোকহনবা য়াই অমসুং অঙকপা, মহৌশাগা মান্নদবা হাইফম খঙদবশিং ওইবা য়াই।

করিগী মঙ মঙলীবিনো? ঐখোয়না মঙ কন্ট্রোল তৌবা য়াবরা? মঙনা ঐখোয়দা করি হায়রিবনো, করি মেসেজ পীরিবনো? মসি ইচম চম্না ঐখোয়না তুম্বা মতমদা থোকপা ৱাখলগী থৌদোক অমরা নৎত্রগা মঙলিবা মীদুগা মরী লৈননা পান্দম অমগা লোয়ননা মঙহল্লক্লিবরা? মেদিকেল ন্যুজ টুদেনা মঙগী মরমদা হৌজিক চঙথরিবা রিছর্চশিংগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাংথোক্তুনা করিগীদমক্তা ঐখোয়গী ৱাখলনা অহিংদা (মম্বদা) থৌদোক, ৱাথোক অমদি অতৈ পোৎশক কয়া নৈনরিবনো হায়বগী মতাংদা করি এক্সপ্লেনেসনশিং লৈবগে হায়বদু য়েংশিল্লি। মঙগী এনালাইসিসতা ন্যুলোগাইন্টিফিক অমসুং মাইকোএনালাইটিক এপ্রোচশিংগী মরক্তা চাওনা খেন্নৈ। অহানবগীসিনা রেপিদ আই মুভমেন্ট (রেম) গা মরী লৈনবা এক্সপ্লেনেসনশিংদমক পীনবা হোৎনবা ওইবনা ঐখোয়না অকোনবগী মাইকোএনালাইসিস অসিদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা মঙগী মরমদা ৱাহৈ খরা থমজরি।

মঙগী পাউদমশিং পুক্নিংগী অমসুং ময়েক শেংলবা এক্সপরিমেন্টশিংনা থল্লি। মদুদা থিমশিং, লুনা লৌরিবা পোৎশকশিং, মঙগী পোৎশকশিং অসিনচিংবা ঐখোয়না ৱাখল তারিঙৈ মতমগা চুশিন্নবা য়াবা মওংদা য়াওই। মসিগী মচাকশিং অসিনা করিমত্তা লৈতবা ফিভম অমদগী থাঙ্গৈশেংনা লৈবা মানবা পুন্সিগী থৌদোকশিং উহল্লি।

করিগী ঐখোয়না মঙ মঙলিবনো হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা হাইপোথেসিস অমসুং কনসেপটশিং লৈ। ঐখোয়না ৱাখল খনবদদি য়াওদবা ঐখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং উৎথোরকপা মঙ ওইনা মঙথোক্লম্বসু য়াই। তুম্লিঙৈ মনুংদা ব্রেন অমসুং হকচাংদগী থোক্লকপা সিগ্নেলশিংগী ইন্টরপ্রিটেসনশিং ওইবসু য়াই। ঐখোয়না নোংমগী মনুংদা তাশিনখিবা ইনফোর্মেসন প্রোসেস তৌরকপসু ওইবা য়াই। মসি ঐখোয় ইশা ইশাদা থোকপা সাইকোথেরাপিগী মওংসু ওইবা য়াই। লেবোরেটরি ষ্টদিশিংগী ইভিদেন্সনা মীপুম খুদিংমক মঙ মঙই হায়বসি উৎখ্রে। মীওই খরখক্ত মখোয়না মঙলিবা মঙদু নীংশিংবা থোকত্রবসু নৎত্রগা মখোয়দি অমুক্তা মঙ মঙদে হায়বা তারবসু মী অয়াম্বনা অহিং অমদা মঙ অহুমদগী তরুকলক ফাওবা মঙই। মঙ অয়াম্বনা মিনিট মঙাদগী ২০ ফাওবা ওইবসু য়াই। মঙ নীংশিংবা ঙম্বগী নৎত্রগা ঙমদবগী মরমশিংসু লৈ। মখোয়দুদি মঙ মঙলিবা মীদুগী (চহী হায়বদি চ হী য়ামশিল্লক্লবদি নীংশিংবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই), জেন্দর, তুম্বগী লায়না লৈবা নৎত্রগা লৈতবা অসিনচিংবনি। মঙদা উরিবশিং অদু ঐখোয়গী থাঙ্গৈশেংবা থৌদোকশিং অমুক হন্না তুমখিঙৈদা ৱাখলদা থোক্লক্লিবনি হায়বসি ষ্টদি খরদগী খঙবা ঙমই। মরম অদুনা ঐখোয়গী ৱাখলদা মমি তাগদবা থৌদোকশিং খন্দোক খঞ্জিন তৌদুনা ঐখোয়না মঙ কন্ট্রোল তৌবসু য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোট পীনরি।

# শিংলি চাউথোক্লগা মরৈ মরৈ তাশিল্লকপা



## ভেরিকোজ ভেন



থম্মোয় (হার্ট) দগী তোঙান তোঙানবা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা ঈ পুরিবা শিংলি উতোং অমা চাউথোক্লগা মরৈ মরৈ তাশিল্লকপগী থৌওংবু ভেরিকোজ ভেন হায়না খঙনৈ।

হকচাংগী মফম অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা তৌরকপা য়াবা তারবসু অয়াম্বা মতমদা খোঙগী কল্লাক মপাদা হেক হেক খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লগল্লি।

ঈ পুম্নমক মনিং হন্না চেল্লক্তনবগীদমক ভেনশিংদা ভাল্ভ জুরা জুরা য়াওই। মালেমগী চিংশিনবগী মতিক ময়াই (গ্রেভিটি) মায়োক্লদুনা খোঙগী মশলশিংনা ঈ পুম্নমক হার্ট য়ৌনা অমুক ইল্লকপদা মতেং পাংই। অদুবু ভেরিকোজ ভেনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা মীওইশিংদি ভাল্ভশিং মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদবদগী ঈ পুম্নমক মতুং হন্না অমুক চেল্লক্তুনা শিংলি মরৈ মরৈ তাশিল্লিবা কল্লাক মপা অদু হেন্না হেন্না পোমথোরকই। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরবা মীওইশিং চুম্না লেপ্পা মতমদা কা হেন্না চৈনাখোল ফাওরকই।

লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংগী মখোঙদা চৈনাখোল ফাওবগা লোয়ননা খোঙ ইরুম-লুমথরকই অমসুং উনশাগা হেক তাইননা শিংলী চাউনা থোরকপা উগনি। নুপাদগী নুপীদনা হেন্না কম্মন ওইবা লায়না অসি ওইহল্লকপগী মরু ওইবা মরমদি থঙথরকপনি। অতৈ মরমশিংদি ঈ মরীদগী মীরোনবা, হকচাংগী অরুম্বা হেনবা, থাগী খোঙকাপ খমখিবা, অহল ওইশিল্লকপা, মতম শাংনা লেপ্তুনা লৈবা অসিনচিংবনি। কঞ্জার্ভেটিভ ওইবা মওংদা হীদাক লাংথক চারগা অচম্বা কাঙলোন খরা ঙাক্তুনা লায়না অসি লায়েংই। ফিভম লুশিনখ্রগনা ওপরেশন তৌবগী মথৌ তাই।

ভেরিকোজ ভেন মপুং ফানা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক ফীভম হেঞ্জিল্লক্তনবগীদমক লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি মতম শাংনা লেপ্তুনা খক লৈতবা; ফম্বা মতমদা খোঙ কারল চন্দবা; ফম্বা হীপ্পা নৎত্রগা পোৎথাবদা মোনগুম্বা অমদা খোঙ থাংগৎপা; চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবা; হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হন্থহনবা; অচীনবা ফিরোল শেৎতবা অমসুং মতম শাংনা খূনিং ৱাংবা খোঙউপ তোংদবা অসিনচিংবনি।



## মালেমগী অঙকপশিং

# গোল্ডন গেট ব্রীদজ

গোল্ডন গেট ব্রীদজ হায়বসি সান ফ্রান্সিস্কো বেগী মচীন (গোল্ডন গেট) দগী পেসিফিক ওসিন য়ৌনা শাবা থোং অহাইবী অমনি। য়ু এসকী রুট ১০১ অমসুং কালিফোর্নিয়া রুট ১ অনীমক্কী শরুক অমা ওইনা থোং অসিনা সান ফ্রান্সিস্কো পেনিন্সুলাগী অৱাং ইথং থংবা চীদাইদা লৈবা সান ফ্রান্সিস্কো সিটিগা মার্টিন কাউন্টিগা শম্নহল্লি। কুমজা ১৯৩৭ তা গোল্ডন গেট শাবা লোইবা মতমদা মসিনা মালেমগী খ্বায়দগী শাংবা থোং অহাইবী ওইখি। থোং অসি সান ফ্রান্সিস্কো অমসুং কালিফোর্নিয়াগী মালেমনা শকখঙলবা সিম্বোল অমা ওইরকখি। থোং অসি শাংবা লোইখিঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা অতৈ থোং নিপান্না মসিদগী শাবা হেন্দোকখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা থোং অসিনা হৌজিকসু অনিশুবা খ্বায়দগী শাংবা থোং অহাইবী ওইরি। হৌজিক্তি য়ু এসকী খ্বায়দগী শাংবা থোং অহাইবীসি ন্যু য়োর্ক সিটিগী ভেরাজানো নোরোজ ব্রীজনা ওইরে। কুমজা ২০০৭ তা গোল্ডন গেট ব্রীজদবু অমেরিকান ইন্সটিট্যুট ওফ অর্কিটেক্টসনা অমেরিকাগী ফেভরাইট অর্কিটেক্টচরগী লিষ্টতা মঙাসুবদা চলহনখি।

গোল্ডন গেট ব্রীজ শাদ্রিঙৈগী মমাংদা সান ফ্রান্সিস্কো অমসুং হৌজিক লৈরিবা মার্টিন কাউন্টিগী মরক্তা খ্বাইদগী লম্বী তেন্না ফাওনরম্বসি সান ফ্রান্সিস্কো বেগী মফম অমদা হি তোংলগা লানবনা ওইরম্মী। য়াম্না ঙন্না ১৮২০ দগী ফেরি সার্ভিস হৌখি। চাং নাইবা সেদ্যুল্ড সর্ভিসনা ১৮৪০ গী মতুং চহী খরা অদুদা সান ফ্রান্সিস্কোদা ঈশিং হোন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা হৌখি। মদুদগী অফবা মখলগী ফেরি সর্ভিস কয়া লাকখি।

মীওই কয়ানা সান ফ্রান্সিস্কোগা মার্টিন কাউন্টিগা শম্নবা থোং অমা শাবা পামখি। ফেরি বোটশিংনা মখা তানা সার্ভ তৌবা খ্বাইদগী চাওবা অমেরিকান সিটি সান ফ্রান্সিস্কোনা ওইখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি সিটি অসিনা সান ফ্রান্সিস্কো বেগী অকোয়বদা তারিবা কম্ম্যুনিটিশিংগা তুং কোইবা লিঙ্ক লৈনরমদে। মসিনা মরম ওইদুনা সিটি অসিগী গ্রোথ রেট নেস্নেল এভরেজ য়ৌখিদে। এক্সপর্ট কয়ানা ফুট ৬,৭০০ (মিটর ২০৪২) গী ষ্ট্রেইট অদুদা থোং অমা শাবা হায়বসি ওইথোক্তে হায়না মোট পীনরম্মী। চেন্নেল অদুগী ময়াইদু ফুট ৫০০ লুইস (মিটর ১৫০), য়াম্না কনবা ঈথক, ঈপোমগা লোয়ননা অকনবা নুংশিৎসু তোইনা শিৎলম্মী। শাথিরবা অকনবা নুংশিৎ অমসুং মীৎ উহন্ দবমখৈ মম্বা লৈচিলনা থোং শাবগী থবক্তা অপনবা পীগনি অমসুং ওপরেসন য়াহল্লোই হায়না এক্সপর্টশিংনা থাজরম্মী।

গোল্ডন গেট থুংনা থোং অমা শাবগী আইদিয়া অসি অনৌবা অমদি ওইরমদে। মমৈথংদা য়ানখিবা থোং শাবগী প্রপোজেল অদু হান্নগী ইঞ্জিনিয়রিং মহৈরোই জেমর্স ৱিলকিননা ১৯১৬ কী সান ফ্রান্সিস্কো বুলেটিনদা ইরকখিবা অর্টিকল অমদা হৌদোকখিবনি। সান ফ্রান্সিস্কো সিটি ইঞ্জিনিয়রনা থোং অদু শাবদা দোল্লর মিলিয়ন ১০০ চংগনি হায়না এষ্টিমেট পীখি। মতমদুগী ওইনা শেলফমদু চংহনবা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা অমা ওইরম্মী। অদুনা মদু খরা হন্থনা চংহল্লগা শাবা য়ারোইদরা হায়না থোংগী ইঞ্জিনিয়রশিংদা ৱাফমদুমা খন্নবা থমখি। ৱাফমদুদা পাউখুম পীখিবশিংগী মনুংদা অমদি অচৌবা মঙ মঙগনবা ৱাখল চাওবা, পোইটকী ৱাখল চেনবা জোসেফ ষ্ট্রোস কৌবা ইঞ্জিনিয়র অমনি। মহাক্না মহাক্কী গ্রেজুয়েটকী থেসিস ওইনা বেরিং ষ্টেট লান্না শাগদবা কিলোমিটর ৮৯ শাংবা রেল-লম্বীগী থোং (রেলরোদ ব্রীজ) অমা দিজাইন তৌখি। মতমদুদা ষ্ট্রোসনা শীজিন্নবা লোইরগা চীংখৎলগা থম্বা (দ্রোব্রিজ) থোং ৪০০ শাবা লোইশিনবনি। অয়াম্বনা থোংশিং অদু লৈবাক মনুংগী ঈশিং মথক্তা শাবা ওইরম্মী, অনৌবা প্রোজেক্ট অদুগদি য়াম্না খেন্নখি।

ষ্ট্রোসনা দিজাইনদা অহোংবা লাকহল্লগনি অমসুং অতৈ কন্সল্টিং প্রোজেক্ট এক্সপর্টশিংগী ৱাফম তাগনি হায়না থাজবা পীরবা মতুংদা লোকেল ওথোরিটিশিংনা থবক্তু পায়খৎপগী ৱাফম য়াখি। মেটাল্লর্জিনা খুমাং চাওশিল্লকখিবগা লোয়ননা থোং অহাইবীগী দিজাইন অমা হায়বসি ওইথোকপা য়াই হায়না লৌনরকখি। নোর্দন কালিফোর্নিয়াদা থোংদুগী সপোর্ট লৌনবা ষ্ট্রোসনা কন্না হোৎনবদা চহী ১০ চংখি। মায়কৈ কয়াদগী থোং অদুদা অথিংবা কয়া পীরকখি। দিপ্টার্টমেন্ট ওফ ৱারনা থোংদুনা সিপ চঙথোক চংশিন্দা অপনবা পীরকখি নুংনাংবা উৎখি; নেভিনসু থোংদুগা সিপকা থেঙ্গাইনবনা মরম ওইদুনা হিথাংফমশিংগী মনুংদা অমগী চংফম থীংজিনখিগনি হায়না কিরম্মী। য়ুনিয়ন কয়ানা থোংদু শাবদা লোকেল ৱার্করশিংদা ওইনা থবক পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি। কালিফোর্নিয়াগী অচৌবা বিজনেস ইন্টরেষ্ট অমা ওইরিবা সাউদর্ন পেসিফিক রেলরোদনা থাখায়গী ফেরি ময়ামগী সর্ভিসতা থোংদুনা শিংনরক্লগনি হায়না খন্দুনা প্রোজেক্ট অদুগী মায়োক্তা লোসুইট অমা থাঙ্গৎলকখি।

মমৈথংদা ১৯৩৩ গী জান্যুৱারি ৫ দা থোংদু শাবা হৌখি। ষ্ট্রোসনা মকোক ওইদুনা পাইখৎখিবা প্রোজেক্ট অদু ১৯৩৭ কী এপ্রিলদা লোইশিনবদা দোল্লর মিলিয়ন ৩৫ হেন্না চংখি। থোং অহাইবীদু শাবদা শীন্মী ১১ পুন্সি লোমখি।



## থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম



- ফাইবোক মচিন-মনাও অনী পোকপগী খ্বাইদগী শাংনা কান্নবা মতমসি নুমিৎ ৮৭নি নি। মেরিয়া কৌবী নুপী অমনা থা মরি ঙনখৎনা লেবর রূমদা চঙখি অমসুং অমি পোকখি। তৌইগুম্বসুং, থা অহুম লৈরগা কেটি অমুক পোকখি।
- মালেমগী ঈশিং মনুংদা খ্বাইদগী লুনা লৈবা পোষ্টবোক্সতি জপানগী সুসামি বেদনি। মদু ঈশিংগী ঈমায়দগী মিটর ১০ লুথনা লৈ।
- কুমজা ২০০৭ তা কোরি টেলর কৌবা অমেরিকান অমনা ফী অমত্তা তিংদনা মহাক্কী সেলফোন কনট্রেক্ট লোইশিনহন্নবা তৌবদা মহাক মশা শিরবা মী অমনি হায়না উৎনবা হোৎনখি। ৱায়রলেস কম্পেনিশিংনা অশিবা মীগী কন্ট্রেক্ট কেন্সেল তৌই হায়বা তাবদগী মদু তৌখিবনি। অদুবু মায় পাকখিদে।
- রেকোর্দ ওইনা খ্বাইদগী লিরবা কোন্দম শীজিন্নখিবগী মতমসি কুমজা ১৬৪০ গী মতুং চহী খরদুদা ওইখি। মতমদুগী কোন্দমশিংদু শা অমসুং ঙাগী মখাওশিংদগী শারম্মী। কোন্দম খরা দুদলি কাশলগী অমোৎ-অকায় পুথোকখিনবগী সসপিট অমদা থেংনখি।
- মঙাল (লাইট) না মসিগী স্পীদতা চৎকনি হায়বা লৈতে। রেকোর্দ তৌখিবা মঙালনা চৎপগী খ্বাইদগী নেম্বা/তপ্পা স্পীদসি পুংদা মাইল ৩৮ খক্তনি।
- মালেমদা খ্বাইদগী মদোম ওইনা মপাং য়াওদনা হিংলিবা ক্রিচরদি ৱেল অমনি। চহী ২০ হেন্না মহাক্না কোইকৌ কৌদুনা মপাং অমা থীরকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী হাই-পিটচ খোঞ্জেল অদু অতৈ ৱেলশিংগা অদুক্কী মতিক খেন্নখি মদুদি লুরবা ঈশিং ঈরোন্নুং অদুদা ৱেল অমত্তনা পাউখুম পীখিদে।
- থাদা ইহান হান্না মপান থোকখিবা (য়ুরিনেট) মীশক্তি অষ্ট্রোনোট বজ এলদ্রিননি। থাগী গ্রেভিটি আর্থকী শরুক তরুক থোকপগী অমত্তমক ওইবনা হক্কী ঈশিং মরী য়াম্না শাংখি অমসুং মখোন থোকখিদে।
- নেদরলেন্দস (দটচ) কী খুঙ্গং গিথোর্নগী ইচম চম্বা কংফাল লম্বী অমত্তা লৈতে। মফমশিংগী বিল্ডিংশিং অদু ঈশিং খোংশিং অমসুং খোংনা লানবা থোংশিংনা শম্নে।
- রোই সী সুলিবন কৌবা য়ু এসকী পার্ক রেঞ্জর অসি নোংথাংনা (লাইটনিং) খ্বাইদগী তোয়না অমদি মশীং য়াম্না য়ৈরবা অমসুং মশাসু হিংহৌবা মীশকনি। কুমজা ১৯৪২ অমসুং ১৯৭৭ কী মরক্তা মশাদা নোংথাংনা তরেৎলক য়ৈখি। মহাক ১৯৮৩ দা মথন্তা শোয়বদগী নোংমৈনা পান্দুনা শোকপদগী শিখি।



Title : SCENERY



*Jeshika Naorem*
*Class :* I, Sec. : Roll: 1

Title : SCENERY



*Oinam Nirmal*
*Class :* 1, Sec. : Roll:
The Bright Carrer Academy

Title : SCENERY



*Linthoi*
*Class :* III, Sec. :B Roll: 2
Standard Robarth Hr.Sec

Title : SCENERY



*Y. Micheal*
*Class :* V, Sec. : Roll: 17
LM Educational Institute

Title : SAVE ENVIRONMENT



*Th Dilan*
*Class :* III, Sec. : Roll: 13
LM Educational Institute

Title : SAVE ENVIRONMENT



*Roja*
*Class :* V, Sec. : Roll: 24
LM Educational Institute

Title : SAVE ENVIRONMENT



*Roshan Yumnam*
*Class :* IV, Sec. : Roll: 1
LM Educational Institute

Title : SAVE ENVIRONMENT



*Satyajit Elangbam*
*Class :* V, Sec. : , Roll: 19
LM Educational Institute

Title : SAVE ENVIRONMENT



*Th. Bikramjit Singh*
*Class :* VI, Sec. : , Roll: 2
LM Educational Institute

Title : SPACE FLOWER



*Galvin Yumnam*
*Class :* I, Sec. : , Roll:
Kids Foundation

Title : SANGAI



*Honey Laishram*
*Class :* III, Sec. : A Roll: 7
Regular English High School

Title : LOTUS



*Kh. Langlen Devi*
*Class :* II, Sec. : Roll: 5
vocational Guid School

Title : NATURE



*Asem Preety Devi*
*Class :* VI, Sec. :A Roll: 19
Vale Academy

Title : LEMON JUICE



*Pebam Dhurbanita*
*Class :* I, Sec. : Roll: 8
Scholars Academy

Title : SHAPES



*Pebam Parmeswari*
*Class :* IV, Sec. : Roll: 7
Scholars Academy

Title : SAVE ENVIRONMENT



*Banty Laishram*
*Class :* III, Sec. :, Roll: 15
LM Educational Institute

Title : A BOATING BOY



*Kh. Erika*
*Class :* IV, Sec. : , Roll: 6
Vocational Guide School

Title : BRINJAL



*R.K. Arina*
*Class :* Nursery, Sec. : Roll: 4







মায় পাকখ্রবশিংনা তোখায়বা থবক অমা তৌবা নত্তে, ময়াম্না তৌনরিবদু আতোপ্পা মওংদা তৌবখক্তনি !

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### কেন্সাসকী আইরনমেন



মতম অমদা স্কুল তল্লীবা নুপামচা অমা মহাক্কী স্কুলদা থোকপা মৈহৌ লাংপোক্কী এক্সিদেন্ট অমদা য়াওখি অমসুং মহাক মীশিংনা হিংলরোই হায়না লৌনরম্মী। মহাক্কী মমাদা মীশিংনা শোয়দনা শিরনি হায়না তল্লম্মী মরমদি কিনিংঙাই ওইরবা মৈ চাকপদুদা মহাক্কী হকচাংগী মখা থংবা তঙ্খায়দু ফীভম থীনা চাকখি। করিগুম্বা মহাক হিংবা তারবসু মপুন্সি চুপ্পা মখোং শোইনাইবা মীওই অমা ওইরগনি হায়না থাজনখি।

তৌইগুম্বসুং মথৌনা লৈরবা নুপামচা অদু শীবা পামখিদে, মহাক মখোং শোইনাইদুনা চৎপা ঙমদবা মীওই অমা ওইবসু পামখিদে। অদুবু লাইবক থীবদি মহাক্কী মখ্বাংগী মখা থংবা শরুক্কী মোটোরগী এবিলিটি মাংখি, লেংথোক লেংশিন য়াখিদে। মহাক্কী মতোং য়াওদ্রবা ইপা পাবা মখোংশিংদু মুকথোক মুকশিন য়াদনা হাইরগা লৈরম্মী। তশেংনমক মহাক্কী মখোং অদু থব্রাই য়াওদ্রবা হকচাংগা পাংখক ওইরম্মী। মমৈথংদা মহাক হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী চৎনিংবগী ব্রাখল অদু নমথবা য়াদবা অমা ওইখি। ময়ুমদা মহাক ফমুংদা য়াতারগা লৈখিদে, হ্বীলচ্যের অমদা লৈখি। নোংমদি মহাক্না মহাক্কী লৈজবা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা হ্বীল চ্যেরদগী মশাদু ফুক্কৎতুনা হৌগৎখি অমসুং মথন্তা মশাবু নাপী মথক্তা শিৎলগা চৎখি, মুকপা ঙমদবা মখোংদু মনিংদা, মতুংদা চীংখি। শম্বল য়ৌবদা মহাক্না মদুদা পাইরগা তপ্না তপ্না ব্রানা হৌগৎখি অমসুং শম্বলদা পায়রগা মখোংদু চীংলবসু চীংনা চৎনবা হোৎনখি। থৌওং অসি মহাক্না নুমিৎ খুদিংগী তৌরম্মী। মহাক সপোর্ট অমত্তা য়াওদনা মথন্তা চৎপা ঙম্লক্কনি হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা থাজবা ওইখি। য়োৎকুল্লবা মহাক্কী পুক্নিংগী অচেৎপা ফীরেপ অদুনা লীচিং ওইদুনা মহাক হৌগৎ-কাংখৎ ঙম্লকখি, মদুদগী মখোংদু ফাজিন ফাজিন্না থাংবা, মদুদগী মথন্তা চৎপা অমসুং মদুদগী চেনবা ঙম্লকখি।



মথক্কী অসি কান্সাসকী আইরনমেন হায়রগসু খঙনবা ওইনা মীওই কয়ানা মতম পুম্বগী খ্বায়দগী চাওবা (পুংহেন হেল্লবা) অমেরিকান মাইলস (মাইল অমগী লমজেল চেনবা) নি হায়না লৌনবা অমেরিকান দিসটেন্স রন্নর অমসুং এথলেট অমা ওইরিবা গ্লেন ভর্নিশ কন্নিংহাম (ওগষ্ট ৪, ১৯০৯ - মার্চ ১০, ১৯৮৮) গী অঙাং ওইরিঙৈগী ব্রারিনি। মহাক কুমজা ১৯৩৩ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোপ এমেচর এথলেট ওইনা জেম্স ঈ সুলিভন এব্রার্দ ফংখি।

মহাক এটলান্টা, কেন্সাসতা পোকখি তৌইগুম্বসুং কেন্সাসকী ইলকহৰ্টতা চাওখি। কন্নিংহাম অসি "কেন্সাস ফ্লাইয়র", ইলকইট এক্সপ্রেস অমসুং "আইরন হোর্স ওফ কেন্সাস" নৎত্রগা "আইরন মেন ওফ কেন্সাস" হায়না তোঙান তোঙানবা মীঙ্গৌশিংদা খঙনখি। মহাক্না ১৯৩২ গী সম্মর ওলিম্পীক্স অমসুং ১৯৩৬ কী সম্মর ওলিম্পীক্স অনীমক্তা কম্পিট তৌখি। য়ু এসতগী জর্ম্মনিংদা ঈশিংগী লম্বীদা চৎখিবা মতমদা মহাকপু ফেলো ওলিম্পীয়-নশিংনা খ্বায়দগী পোপুলর ওইবা এথলেটনি হায়না ব্রারেপ্পখি। কুমজা ১৯৩৪ দা মহাক্না মাইল অমগী লমজেলগী ব্রার্ল্ড রেকোর্দ থমখি। মহাক্কী ৪:০৬.৮ গী রেকোর্দ অদু চহী অহুম অতোনা থুগায়বা ঙমদনা লৈখি।




| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ꯑ | ꯆ | ꯇ | ꯀ | ꯍ | ꯌ | ꯂ | ꯃ | ꯁ |
| ꯌ | ꯃ | ꯂ | ꯁ | ꯑ | ꯇ | ꯍ | ꯆ | ꯀ |
| ꯀ | ꯁ | ꯍ | ꯆ | ꯂ | ꯃ | ꯑ | ꯇ | ꯌ |
| ꯃ | ꯀ | ꯁ | ꯍ | ꯌ | ꯂ | ꯇ | ꯑ | ꯆ |
| ꯇ | ꯍ | ꯑ | ꯃ | ꯆ | ꯀ | ꯌ | ꯁ | ꯂ |
| ꯂ | ꯌ | ꯆ | ꯑ | ꯇ | ꯁ | ꯀ | ꯍ | ꯃ |
| ꯍ | ꯑ | ꯌ | ꯂ | ꯃ | ꯆ | ꯁ | ꯀ | ꯇ |
| ꯆ | ꯇ | ꯀ | ꯌ | ꯁ | ꯍ | ꯃ | ꯂ | ꯑ |
| ꯁ | ꯂ | ꯃ | ꯇ | ꯀ | ꯑ | ꯆ | ꯌ | ꯍ |

## বেষ্ট ন্যু এক্ট্রেস এৱার্দ ফংলবী

# কিম সো ইয়ুন

নানি



মশাগী চহী ২৭ খক্তমক ঙাইহিবী মশক ফজবী অমদি কেরেক্টর রোল কুম্বদা মমিং লৈরিবী কি সো-ইয়ুন কুমজা ১৯৮৯ গী সেপ্টেম্বর ৬ তা সাউথ কোরিয়াগী নামযাংজু হায়বা মফম অদুদা পোকখি। চুং অং যুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্লকপী কিম মশাগী চহী ১৫ শুরকপদগী সেলেব্রিটি অমগী থাক্তা মীয়াম্না শকখঙনবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০০৪ দা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা টু গাইজ হায়বা অসিদগী ফিল্মগী কেরিয়র শেন্বা হৌরকখি। মহাকপু অফবা এক্টেসশিংগী মনুংদা পুখৎলকখিবা ফিল্মদি *লিয়র গেম* হায়বা অসিদগীদি হান্না ফংলম্বা মীংচৎতগী হেন্না মেচ্যুর ওইরবা চঙখোল্লবী অমনি হায়না শিংথানরি। কোরিয়াদা লৈরিবা শক্লাইরবী এক্টেসশিংগী মনুংদগীদি য়াম্না অঙাং ওইনা এক্টিংগী লমদা চঙলকপসি মহাক্নি হায়না রেকোর্দ তৌরি। অঙাং ওইরিঙৈদা চিলড্রেন ঠিএটর (কিদ কেন্ট্রিক ড্রামা) দা শরুক যাদুনা এক্টিংগী কেরিয়র শেন্বা হৌরকখিবনি।

বোয়জ ওভর ফ্লৱারস, এ গুদ দে ফোর দ ৱান্দ টু ব্লু, সিষ্টর ওফ দ সী, সেদ লভ ষ্টোরি, এ থাওজন্দ কিসেস, লিয়র গেম, স্কোলার হু ৱার্কস দ নাইট, দ আইরম ইম্প্রেস, ৱি গোট মেরিজ, হোর্স ডোক্তর, হেপ্পী ইন্দিং, ইম্প্রেস সিওনচু, হি হু কেননোট মেরি, হায়বা টি ভি সেরিজ কয়াদা মায় পাক্লা কুমখ্রে। অচৌবা স্ক্রিন (মোভি) দা- টু গাইজ, ফেমিলি মেট্টর, ফ্লাই দেদ্দি ফ্লাই, দ সো মষ্ট গো ওন, সমৱান বিহাইন্দ যু, অফ্টর স্কুল- লকি ওর নোট, মোর্নিং গ্রেভ, সেক্রেট অঙ্গল, ইন্ট্রানগ্লেদ, স্কাই লেন্টর, হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদা লিদ রোল ওইনা শরুক য়াখ্রে। মহাক্না থোইদোকপা হৈ শিংবা কয়া অসিগী য়েংদুনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা এৱার্দ কয়াসু পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। মদুগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি- বেষ্ট কোপল এৱার্দ, বেষ্ট ন্যু এক্ট্রেস (অহুম্লক), এক্সসেলেন্স এৱার্দ এক্ট্রেস ইন এ দেলি ড্রামা, পোপুলর কলচর এৱার্দ, ন্যু ষ্টার ওফ দ ইয়ার, বেষ্ট ফেমেল ন্যু কমর এৱার্দ হায়রিবশিং অসিনি।

ইম্প্রেস সিওনচু হায়রিবা হিষ্টোরিকেল প্লে অসি সুটিং তৌবদা মঙোন্দা য়াম্না চাউবা চেলেঞ্জ অমা থেংনখি। সোট খরদা, লিরুং তেন পায়দুনা শগোল থৌনা থৌনা কাপ্পগী সোট অসি নম্বদা করম্না তৌগদগে হায়বা অসিনি। মসিগীদমক মহাক শগোল থৌবা অমদি তেন কাপ্পা থা অনী হেন্না তমখি। কিম হোৎনবা য়াম্না কনবা, মহাক্না তৌগে হায়না খনবদা মায় পাক্তনা তোক্তবা এক্ট্রেস অমনি। মহাক্কী থৱায় য়াওজবা অসিগীদমক দিরেক্টরশিং অমদি প্রদ্যুসরশিংনা মহাকপু য়ৌনা থাগৎনখি। লভ ইজ সেদ হায়বা ম্যুজিক এলবম অমদা মহাক্না য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা এক্ট তৌখি। ঈশৈ অসি বোয়বন্দনা ম্যুজিক কম্পোজ তৌরগা লী জোনহ্যগা পুন্না শরুক য়ামিন্নখি। দ কিং ডোক্তর হায়নসু খঙনবা হোর্স ডোক্তর হায়বা ইপিক সেরিয়েল অসিদসু মহাক্না প্রিন্সেস সুখিৱিগী রোল লৌখি। মখল কয়াগী কেরেক্টর কুম্বদা থোইদোক্লা মশক নাইরবী এক্টর অসিনা কুমজা ২০১৪ দা হোরর ফিল্ম মোর্নিং গ্রেভ হায়বা অসিদা ঘোষ্ট গালর্স অমগী রোল লৌদুনা কুমখি। চৎলিবা চহী ২০১৬ দা ৱিল ইন্টরটেনমেন্টকা লোয়ননা কিম সাইন তৌনদুনা কম্পেনি অসিগী অনৌবা ফিল্ম কয়াদা শরুক য়ারক্কদৌরি।

এক্ট্রেস অসি এক্টিংগী লমদগী হায়দোক্লগা স্পোর্টসতসু অদুমক থৱায় য়াওরকপীনি। হায় স্কুল তম্লিঙৈদা নেসনল এথলেটিক স্কির অমা ওইনা স্পোর্টস মীট কয়াদা শরুক য়ারকখিবনি। ফিল্ম কুম্না কুম্নবা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকপা কোরিয়াগী অচৌবা স্পোর্টস মীটতা শরুক য়াখি। সোসলগী ওইবা থৌরম কয়াদসু মায়পুননা মীয়ামগীদমক শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোক্লিবী কিমগী থৱায় য়াওবা অমদগী মহাক্কী পুকচেল তিংবা অসিগী য়েংদুনা গুদ ৱিল এম্বেসেদর অমা ওইনা অচৌবা থৌরম কয়াগী মীমাঙ লেপ্পী ওইরক্লি। কুমজা ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা কোরিয়া ইন্টরনেসনল যুথ ফিল্ম ফেষ্টিবেল, যুনিভর্সিটি ফেসন ৱীক, ২০১১ দা পাঙথোকখিবা জিওঞ্জু ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল, গোল্ডন সিনেমা ফেষ্টিবেল ২০১৩ অমদি গ্রীন ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০১৪ বু মালেমগী থাক্তা মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি।





মমিগী তাইবঙদা ফাওখ্রবা *ৱি গোট মেরিজ* হায়বা সেরিজ

অসিদা বেষ্ট কোপল এৱার্দ পুন্না ফংমিন্নখিবা সোং জা রিমগা মখোয় অনী অসি কোপল শাবদা অসুক্কী মতিক পকচবা অমনি। অদুনবু এৱার্দ পীরিবনি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইরিবদি মখোয় অনী অসি অশেংবা তাইবঙদগী কয়া নকশিন্নদবগী ৱারী তাবা ফংই। মখোয় অনী অসি সুটিং মনুংদদি থোইদোক্লা ঈকায়নদবা অমদি তোরোতাখোদান্নবা উরবসু সুটি হেক লোইখিবদগীদি ইচম চম্বা খঙনবা মরুপ অমগা পাঙ্খকনি। তীন্নবা মরুপকা খঙনবা মরুপকা অনীগী খেন্নবা অদু মখোয় অনীদা উবা ফংই। অমুক্তা মপুং ফানা অশেংবা তাইবঙদা ৱারী শানদে হায়রি। মখোয় অনীগী মতৌদা মীয়াম্না হায়নবা ৱারী খরসু অদুম থোরকখি। মদুদি মনুংদা মখোয় অনী রোমান্টিক রিলেসন লৈনৈ হায়বা অসিনি। ৱি গোট মেরিজনা মায় পাক্লকপদা ফিল্মসিগী প্রদ্যুসরনা এক্টর এক্ট্রেসশিং অমদি ফিল্মগী মেম্বর পুন্নমক্কী ওইবা পার্টি অমা মহাক্কী ময়ুমদা শিনখি। মদুদা রিএলিটি সো অমা য়াওরুরগা কিমসু শরুক য়াবা লাকখি। নুমীৎ অদুদা প্রদ্যুসরগী য়ুমদা মী অসুক্কী মতিক য়াম্না তীনখি। কিম লাকপদা মীয়াম্না মাবু তরাম্না ওক্তুনা কৌশিনখি। মীয়াম অদুগী মনুংদা মহাক্কী কোপল শকখিবা এক্টরসু য়াওখি। অদুবু কিমনা ইখঙ খঙনদবা মীশক অমদা তৌবা ট্রিটকুম 'হাই' হায়বা ৱাহৈ অসিদগী হেন্না অতোপ্পা ৱারী অমত্তা শানখিদে। তোঙান তোঙান্না ফমদুনা ৱারী অমত্তা শানদনা পার্টি অদু লোইশিনখি। নুমীৎ অদুদা কিম অমদি রিম অনীগী মরক্তা হায়নদুনা লাকখিবা ৱাফমশিং অরেম্বা তাদুনা তোকখি।

কিম হৌজিক অনৌবা প্রোজেক্ট খরগী থৌরাং কন্না তৌরি। মদুগীদমক রিহার্সেল অমদি মহাক মশানা কেরেক্টর অদুগী রিছার্স তৌদুনা অয়াম্বা মতমদা খুঙ্গংদা চৎতুনা খুঙ্গংগী পুন্সিরোল খঙনবা কন্না হোৎনরি হায়বা পাউ তারি।